মখল মখেলগী কলম

Imphal Friday, May 4, 2018

## অচুম্বদুদি থিদোকমিন্নসি হায়খিবনি ঃ হেল্থ মিনিষ্টর

*এস এন এস*

ইম্ফাল, মে ৩ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শানবগী থৌরাংদা জে এ সি অমসুং চীফ মিনিষ্টরগা ৱারী শান্নখিবদুগী মতাংদা অচুম্বা অদুদি থিদোকমিন্নখিসি হায়খিবনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ওল্ড সেক্রেটেরিয়েটতা লৈবা মিনিষ্টরগী ওফিস চেম্বরদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মহাক্না হায়, অচুম্বা থিদোক্লবা হোৎনবদা সরকারনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগা পুন্না থৌদাং লৌমিন্নরি। জে এ সিনসু সরকারনা চত্থরিবা থবক অসিদা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবগী মতাংদা লান্না উখিবা য়াবা মওংদা তৌবসি নুংঙাইতে। চিন্না পং হায় হায়বগী মহুৎতা দোক্যুমেন্ট ওইবা করি করি য়াওরিবনো হায়বদু থিদোক্তুনা খঙদোকমিন্নবা মথৌ তাই। হেল্থ দিপার্টমেন্টতা লৈরিবা চে–চাংশিং করি করিনো হায়বদু মুন্না খঙগদবনি। পট্টদার অনীনা সোই তৌদবা চে–চাং কয়া থেংনখি। অদুনা হোস্পিটালগী লম মখা তানা থিদোকপদা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার নৎত্রগা সেট্টলমেন্ট ওফিসতা চৎলগা অশেংবা অদু খঙবা ঙমগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকীদা নত্তনা ষ্টেট অসিদা হেল্থ কেয়ারগী খুদোংচাবা পীনবা সরকারনা মপুং ওইবা ফিরেপ লৌদুনা থবক কয়া পায়খৎলি হায়নসু মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অদুদা য়াওখিবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দাইরেক্টর এস মনিকান্তনা হায়, লম লৈবগী য়ান্নখিবসি ২০১৫তনি। ২০১৬তা পট্টাদারশিংনা লম পীবা অদু য়ানিংলব্রা হায়বসি খঙনবা মখোয়গী অয়াবা লৌনবা থৌরাং তৌখিবনি।

লমায় ১ গী মখা

## উখ্রুলদগী খাঙ্খুই ফাওবগী লম্বী উবদা ইকাইবা ফাওইঃ মিনিষ্টর শ্যাম

ঐখোয়গী মরক্তা হৌজিক দরকার লৈরিবা অসি অমগা অমগা থাজনবা অদুনি।

কলচরনা জাতি ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরক্কনি। ঐখোয় মশেল অমগা অমগা থম্মোয় শেঙনবা দরকার লৈ। থম্মোয় শেঙনা, পুকচেল শেঙনা থবক তৌমিন্নবনা পুন্নমক্কী নুংশিনবা পুরক্কনি।

কনাগুম্বনা গভর্ণমেন্টকী থবক তৌরগা মায় পাকপনি হায়না লৌনবা য়াওরি। অদুবু ইশানা ইশাবু থবক পীজবদগী হেনবা অতৈ লৈতে। চীংগী লমদা লৈরিবা নহারোলশিংগী লৈজরিবা হৈশিংবা অমসুং মখোয়দা য়াওরিবা পোটেন্সিয়েল কয়া অদু নিংথিনা শিজিন্নবা দরকার লৈ।

নহারোলশিং অসিদা থবক তৌবদা থম্মোয় শেঙদবগী মমি তাই। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়বা তারবদি পি এম ই জি পিগী লোন লৌরবা মতুংদা মদুনা থবক তৌবগী মহুত্তা অতোপ্পা হিরমদা থাদদুনা শেল নিয়ম চুম্না শিজিন্নদবগী চৎনবী অমা উবা ফংই। মসিগুম্বা অরানবা পাম্বৈনা শেল তানবগী থবক থাদোক্লগা রিসোর্ছ হেনগৎহন্দুনা নিয়ম চুম্না শিজিন্নবা হোৎনবা তাই হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিম কয়া হৌদোক্লবসু মদু খঙবগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। অদুনা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অদু ফংবা ঙমদনা লৈরি। ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা স্কিম ১০৫ রোম পায়খৎলিবা অসি মীয়াম্না কয়া য়াম্না খঙলবগে হংবা য়াই। অসিগুম্বা স্কিম কয়ানা পীরিবা খুদোংচাবা অসি মীয়ামদা ফংহন্নবা অমসুং খঙহন্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা খুঙ্গং চৎলো মিসন হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হৌদোকখ্রে। মিসন অসিগী খুদোংচাবা মীয়াম্না লৌনবা হোৎনসি হায়খি।

ঐখোয়গী মীহুৎ ওইনা থাগৎখিবশিংদা মখোয়না তৌগদবা থবকশিং অদু হায়বদা তল্লোইদবনি। মীয়াম অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা লৈরিবা অহোবা অসি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবশিংনা শমজিনগদৌরিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা খাঙ্খুই খুন্নৌদা লৈরম্বা হৌজিক্না লৈখিদ্রবা বিজয় কৌবা মীতৈ নুপা অমনা লৌরম্বা মীৎ অনিমক উবগী শক্তি মাঙখ্রবী লুরংলাদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫ মতেং পাঙলমখি। লোয়ননা খুল অদুদা লৈরিবা অহলশিংগী কম্বল লৈনবগীদমক লুপা লিশিং ২০গী শেনফম খুৎশিন্নখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান, সোসিয়েল এক্তিভিষ্ট এ এস রাইসিং অমসুং খুলগী খুল্লাকপশিংনা শরুক য়াখি। নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

খোঙচৎ অদুদা মিনিষ্টরনা চেঙ এম টি লিশিং ৫গী কেপাসিতি ওইবা এফ সি আই গোদাউনগী ফিভমসু হকথেংননা য়েংশিনলমখি। লোয়ননা ওফিসিয়েলশিংদা অৱাৎ অপাশিং হংখি।

## মাহুদ মিনিষ্টরগী ৱাফম য়াবা ঙম্লোই ঃ জে সি আই এল পি এস

*জে সি আই এল পি এসনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি পংতৌদা তৌবা ওইনা উহনবা মিনিষ্টর শ্যাম কুমারগী ৱাফমবুসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি কন্সটিট্যুসননা য়াবা আইননসু য়াবা দিমোক্রেটিক ওইবা মওংদা চত্থবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।*

*থাঙ্গাল বজারগী গল্লিশিংদা কোসমেটিক, জুৱেল্লরি, ফিরোলনচিংবা য়োল্লিবা মফম খরদা নুপী–অঙাংশিংদা নত্তবা মীৎয়েং য়েংই হায়বগী রিপোর্ট পীরকপসু লৈ হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা হায়রিবা গল্লিশিং অসিদা মখল কয়াগী নিষা ওইনা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি আইননা য়াদবা থবক তৌবশিংগী লোৎফম ওইরে হায়বগী চপ চাবা পাউসু ফংই হায়খি।*

*গল্লিদা দুকান হাংলিবশিংদা সরকারনা লাইসেন্স পীরম্লবসু মদু খুদক্তা কক্কদবনি। ইমা কৈথেল অহুমগী সিরি থাক কাখৎফম ময়াগী মতাইদা রেদিও অমদি ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎ চৈ কয়া য়োল্লিবশিং অসিসু নোং নীনি অসিগী মনুংদা সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিন্দুনা লৌথোক্কদবনি। মখোয় ষ্ট্রিট ভেন্দরনি হায়বা য়ারোই। করিগুম্বা লৌথোক্রুবদি জে সি আই এল পি এসনা লৌথোক্কনি। জে সি আই এল পি এসনা কনাগুম্বা কাংলুপ ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা লৈতে। মীয়ামগী খল্লগা তৌবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।*

## হৈ–রা য়োনফমশিং থা অমগী মনুংদা হোঙদোকপদা সরকারগা য়ান্নখ্রে

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদি, অথুবদা কেবিনেট মীফম ফমদুনা হৈ–রা য়োনফমশিংগী মফম অমা লেপথোক্কদৌরিবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবনি। অদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌরকপদা লৈবাক অসিগী আইন অমা লৈরি হায়বা অদুবু কান্দুনা চৎপদি য়াদবনা ঙরাং পুলিসনা জেসিআইএলপিএস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী থৌমীশিং ফাজিনখিবা থৌদোকশিং থোকখিবা অদু তাইবংগী হৌনশানি।

সরকারনা অতোপ্পা মফম চাবা অমদা হৈ–রা য়োনফমশিং শেম্বীদ্রিবা ফাওবদি থা অমা ফমহনবা হায়নসু জেসিআইএলপিএসকা য়ান্নরে হায়না মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখি।

ম্যুনিসিপালিটি এক্টকী মতুং ইন্না হৌজিক সরকারনা অতোপ্পা হৈ–রা য়োনফম সরকারনা অতোপ্পা মফম অমদা ওইনা শানবা হোৎনগনি। কনাগুম্বা অমত্তা লোগী মায়োক্তা লৈবা য়ারোই। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনবু নিংথিনা ইকায় খুম্ননা চৎকদবনি।

ভারত অসি সেক্যুলার দেমোক্রেটিক ওইবা লৈবাক্নি হায়বা অসি খঙনা থবক তৌগদবনি। লমদম অসিদা লৈরিবা জাতি কাঙলূপ খুদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নগদবনি হায়খি।

হৌজিক সরকারনা পায়খৎলক্লিবা অসি মীয়ামগী য়াইফনবা ঙাক্তনি। হৌজিক পুলিসনা ফাজিন্দুনা লৈরিবা জেসিআইএলপিএসকী ষ্টুদেন্টস ৱিংগী মহৈরোইশিং অদু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্লগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# HIGHER SECONDARY EXAMINATION, 2018

### ARTS
### NAMES OF CANDIDATES STANDING FIRST TEN POSITIONS

| Position | Roll No. | Name, Institution, Parent 's Names and Address | Marks | Subjects with Letter |
|---|---|---|---|---|
| 1st | 636* | NINGTHOUJAM RADHARANI DEVI<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>D/O N. BIMOLA DEVI<br>N. MOHENDRO SINGH<br>LILONG CHAJING CHINGKHONG LEIKAI, IMPHAL WEST | 449 | E,MAN,Pol,His,Sgy,Ggr |
| 2nd | 672* | TAKHELCHANGBAM SUNAINA DEVI<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>D/O T. (O) MEMTOMBI DEVI<br>TAKHELCHANGBAM KISHORCHAND SHARMA<br>KEISHAMPAT THOKCHOM LEIRAK | 444 | E,MAN,Sgy,Ggr,His,Pol |
| 3rd | 841* | YENGKHOM GUNCHENBA<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O YENGKHOM O. PREMILA DEVI<br>YENGKHOM JITEN<br>LUWANGSANGBAM MAKHA LEIKAI | 441 | E,MAN,Sgy,Edn,Ggr |
| 4th | 819* | TEKCHAM JAMES SINGH<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O T. (O) KAMALA DEVI<br>T. BIRAMANI SINGH<br>LANGMEIDONG MAMANG LEIKAI | 440 | E,MAN,Hsc,Ggr,Sgy |
| 5th | 765* | MOIRANGTHEM LOYANGAMBA<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O MOIRANGTHEM BINA<br>MOIRANGTHEM IBOMCHA<br>YAIRIPOK BISHNUNAHA MAYAI LEIKAI, THOUBAL DISTRICT | 438 | E,MAN,Pol,His,Sgy,Ggr |
| 6th | 663* | SHAINING KHASHIM<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>D/O VAREICHAN KHASHIM<br>SOMI KHASHIM<br>KHAMASOM KHULLEN, UKHRUL DISTRICT | 435 | E,ALT,Ggr,Eco |
| 7th | 108* | SH. OBED KHARAM<br>C.C. HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL<br>S/O SH. MARTHA KHARAM<br>SH. MANGSEMTHANG KHARAM<br>TUISENPHAI | 431 | E,ALT,Mel,His,Pol |
| 8th (i) | 778* | NINGTHOUJAM PREMCHAN SINGH<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O N. (O) SAJANA DEVI<br>N DEBEN SINGH<br>NAPET, IMPHAL EAST DIST. | 430 | E,MAN,Ggr,Sgy |
| 8th (ii) | 818* | TAKHELLAMBAM ORESH MEITEI<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O T. (O) LATA DEVI<br>T. SHANTI MEITEI<br>UKHONGSHANG MAMANG LEIKAI, THOUBAL DISTRICT | 430 | E,MAN,Edn,Ggr,Sgy |
| 9th | 4715* | KACHANGLU GONMEI<br>DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL (ARTS & COMMERCE), MARAM.<br>D/O TUNAGAILU GONMEI<br>SIMEON GONMEI<br>NAMCHING, NEW KEITHELMANBI | 425 | E,ALT,Sgy,Pol,Eco |
| 10th | 767* | MOIRANGTHEM TARUNKUMAR SINGH<br>ENLIGHTEN KNOWLEDGE HR. SEC. SCHOOL, SANGAKPHAM.<br>S/O M. (O) RANI DEVI<br>M. TIKEN SINGH<br>MATAI AWANG LEIKAI IMPHAL EAST | 417 | MAN,Eco,Hsc,Ggr,His |

### COMMERCE
### NAMES OF CANDIDATES STANDING FIRST FIVE POSITIONS

| Position | Roll No. | Name, Institution, Parent 's Names and Address | Marks | Subjects with Letter |
|---|---|---|---|---|
| 1st | 29418* | SAGAR ACHARYA<br>DON BOSCO HR. SEC. SCHOOL (ARTS & COMMERCE), MARAM.<br>S/O TULASA ACHARYA<br>(L) DHARMENDRA ACHARYA<br>KANGLATONGBI PO SEKMAI, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR | 431 | E,ALT,Acc,Csc,Eco |
| 2nd | 29108* | THOKCHOM SINGHAJIT MEITEI<br>SDJM HIGHER SECONDARY SCHOOL, PAONA BAZAR<br>S/O TH.(O) HEMABATI LEIMA<br>(L) TH. IBOBI MEITEI<br>KHANGABOK MAYAI LEIKAI | 410 | E,MAN,Acc,Bss |
| 3rd (i) | 29101 | KENEDY MOIRANGTHEM<br>SDJM HIGHER SECONDARY SCHOOL, PAONA BAZAR<br>S/O M. (O) SUSHILA DEVI<br>M. GOPIRAMON SINGH<br>KHANGABOK PART II | 394 | MAN,Bss,Eco |
| 3rd (ii) | 29155 | ATHATHOI TAYENJAM<br>TEMPLE OF LEARNING, CANCHIPUR<br>S/O NARENGBAM NONIBALA DEVI<br>T.CHANDRAKUMAR SINGH<br>KEISHAMTHONG MOIRANGNINGTHOU LEIRAK | 394 | MAN,Acc,Bss,Eco |
| 4th | 29097 | BIRJIT HEIKHAM<br>SDJM HIGHER SECONDARY SCHOOL, PAONA BAZAR<br>S/O H.(O) BINA DEVI<br>H. RANJIT SINGH<br>MOIBUNG KHUNOU | 393 | MAN,Acc,Eco |
| 5th | 29137 | OINAM INDRAKUMAR SINGH<br>JOHNSTONE HR. SEC. SCHOOL, IMPHAL.<br>S/O OINAM TAMPHA DEVI<br>OINAM BINOKUMAR SINGH<br>KEIBUL LAMJAO SAGRAM MAKHA LEIKAI, BISHNUPUR | 390 | E,MAN,Eco |

লমায় ১ গী মখা

## সাইকুল কেন্দ্রগী খুল কয়াসু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল...

হোস্পিটাল অসিগী মরমদা পাউ হেক তবগা খুঙ্গাগী থম্মোয়দা পেন্দবা ফাওই। মতম কয়াগী মমাংদগী ঙাইরকখিবা অপাম্বা লৈঙাক্না লৌরক্লিবা থৌরাং অসি য়াবা ঙম্লোই। শগোলমাং হায়বসি তেঙান–তেঙানবা এসি অহুমগী ময়াইদা লৈবা মফমনি অমদি মায়কৈ অশোমদা লৈরিবা মীওইশিং অশুক্কী মতিক শোত্থনা লৈরি। লৈঙাক্কী চীংদা অমদি খুঙ্গংদা চৎলু লাউরিবা খোল্লাউশিং মায়কৈ অদোমগী মীয়ামবু থওইদ্রব্রা হায়না হংনরক্লি। লোয়ননা মখা তবা ওইনা চীং অমসুং তমগী চাউখৎত্রিবা খুঙ্গংশিংদা লৈঙাক্না চৎপগী থৌরাংশিং লেপ্পীরো হায়খি।

খামেনলোক ৱুমেন সোসাইটিগী চিয়রপার্সন হোইনু গুইতোনো হায়, খুঙ্গা অমা ওইনা অনা–অয়েক থোরকপা মতমদা মমং থক্তগী অৱাবশিং মায়োক্লদুনা লাক্লি–অঙাং উন্নবগী থৌদোকশিংদসু হোস্পিটাল অসিনা অচৌবা মতেং ওইদুনা লাক্লিবনি। অদুনা লৈঙাক্লসু মায়কৈ অদোমগী নুপীশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়খি।

### SCIENCE
### NAMES OF CANDIDATES STANDING FIRST TWENTY POSITIONS

| Position | Roll No. | Name, Institution, Parent 's Names and Address | Marks | Subjects with Letter |
|---|---|---|---|---|
| 1st | 15990* | SELINA KEISHAM<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>D/O KEISHAM (O) ANANDI DEVI<br>KEISHAM SUDHIR SINGH<br>SINGJAMEI CHINGAMAKHA, IMPHAL WEST-795008 | 482 | E,MAN,Bio,Chm,Mth,Phy |
| 2nd (i) | 16461* | LUCKYSON NINGTHOUJAM<br>BRILLIANCE SCHOOL, IMPHAL<br>S/O N.(O) PREMILA DEVI<br>N. BROJEN SINGH<br>KHANGABOK LAMLONG LEIKAI P-III | 477 | E,MAN,Phy,Chm,Mth |
| 2nd (ii) | 17052* | TENSUBAM GOLDI SINGH<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O T. (O) YAIKHOM ROSE DEVI<br>(L) TENSUBAM BIREN SINGH<br>BAMON LEIKAI | 477 | E,MAN,Bio,Chm,Mth,Phy |
| 3rd (i) | 10979* | HUIDROM RONALD MANGANG<br>MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES, SAGOLBAND, KWAKEITHEL MAYAIKOIBI<br>S/O CHINGAKHAM INAOBI DEVI<br>HUIDROM BROJEN SINGH<br>HIYANGLAM WAIKHOM LEIKAI | 474 | E,MAN,Phy,Mth,Csc |
| 3rd (ii) | 17081* | YUMNAM DEVAJIT SINGH<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O Y. (O) LEIMAREMBI DEVI<br>Y. SOMORJIT SINGH<br>NONGADA MAKHA LEIKAI | 474 | E,MAN,Phy,Bio,Mth,Chm |
| 4th | 15929* | MAIBRAM VASUNDHARA DEVI<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>D/O KSHETRIMAYUM RATNA DEVI<br>MAIBRAM VICTOR SINGH<br>MOIRANG MAIBRAM LEIKAI, BISHNUPUR | 473 | E,MAN,Phy,Bio,Mth,Chm |
| 5th | 10856* | SINDIA AHANTHEM<br>MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES, SAGOLBAND, KWAKEITHEL MAYAIKOIBI<br>D/O KHURAIJAM INDIPRABHA DEVI<br>AHANTHEM MEGHACHANDRA SINGH<br>SAGOLBAND LANGJING ACHOUBA MAKHA LEIKAI | 472 | E,MAN,Mth,Chm,Bio,Phy |
| 6th | 15860* | BHIGYARANI NGASEPAM<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>D/O NG (O) NAOREM SONIBALA DEVI<br>NGASEPAM SHAMU SINGH<br>TAOBUNGKHOK MAYAI LEIKAI CRPF CAMP, BPO LANGJING, | 471 | E,MAN,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 7th (i) | 9799* | MONIKA SAMJETSABAM<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>D/O DHANAMANJURI MAISNAM<br>SANA SAMJETSABAM<br>KWAKEITHEL LAMDONG LEIKAI | 468 | E,MAN,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 7th (ii) | 16083* | GARY HAOBAM<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>S/O KANGABAM HOMITA DEVI<br>SURJIT HAOBAM<br>SINGJAMEI CHINGAMAKHA IROM LEIRAK, IMPHAL WEST-795 | 468 | E,MAN,Bio,Chm,Mth,Phy |
| 8th | 9917* | DAVIDSON YUMNAM<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>S/O KHULEM SATYABALA DEVI<br>YUMNAM HOMENDRO SINGH<br>KEISHAMTHONG MOIRANG NINGTHOU LEIRAK | 467 | E,MAN,Bio,Chm,Phs,Phy |
| 9th (i) | 9890* | AKOIJAM BADAL SINGH<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>S/O AK. BASANTI DEVI<br>AK. LALITKUMAR SINGH<br>BAMOL LEIRAK, THOUBAL | 465 | E,MAN,Phy,Mth,Bio,Chm |
| 9th (ii) | 15171* | KONICA NONGMAITHEM<br>COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL, SANGAIPROU.<br>D/O N.(O) MEDHA DEVI<br>NONGMAITHEM JAYANTAKUMAR SINGH<br>YAIRIPOK BAZAR BISHNUNAHA, THOUBAL | 465 | E,MAN,Phy,Mth,Bio |
| 9th (iii) | 15385* | THIYAM KRISHNAKANT SINGH<br>COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL, SANGAIPROU.<br>S/O TH. (O) BALA DEVI<br>TH. SURJIT SINGH<br>IRENGBAM MAKHA MAMING LEIKAI | 465 | E,MAN,Phy,Mth,Bio,Chm |
| 10th (i) | 15866* | CHETANNA RAJKUMARI<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>D/O PHURAILATPAM MEMCHA DEVI<br>RK. TEJBIR SINGH<br>NAOREMTHONG SAMUSANG, IMPHAL WEST-795001 | 464 | E,MAN,Phy,Mth,Bio,Chm |
| 10th (ii) | 16815* | ASEM KOROUNGANBA<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O HIDAM PREMA<br>ASEM SHYAMSUNDER<br>LANGDUM MAMANG LEIKAI | 464 | E,MAN,Bio,Chm,Mth,Phy |
| 10th (iii) | 16906* | LAISHRAM IMOBA MEITEI<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O L. (O) SANGBANABI LEIMA<br>L. BHUBOL MEITEI<br>KHANGABOK PART 3 MAKHA MANING LEIKAI | 464 | E,MAN,Phy,Bio,Mth,Chm |
| 11th | 11239* | WOSORON CHITHUNG<br>MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES, SAGOLBAND, KWAKEITHEL MAYAIKOIBI<br>S/O A. SUHANI<br>C. HELESON<br>NAGARAM STADIUM ROAD, IMPHAL | 463 | E,ALT,Phy,Chm,Mth |
| 12th (i) | 9751* | KONJENGBAM GHANAPRIYARI<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>D/O MAIBAM KAMALABATI DEVI<br>KONJENGBAM TULESHWOR SINGH<br>SAGOLBAND TERA SAPAM LEIRAK MACHIN | 462 | E,MAN,Phy,Chm,Phs,Bio |
| 12th (ii) | 16247* | SHIVRAJ TAKHELLAMBAM<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>S/O T. (O) SUNITA DEVI<br>T. BHUPEN KUMAR SINGH<br>WANGKHEI ANGOM LEIKAI, IMPHAL EAST-795001 | 462 | E,MAN,Phy,Chm,Csc |
| 13th (i) | 9855* | SOHANA LAISHRAM<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>D/O RK. PRANESHWARI DEVI<br>LAISHRAM BIRENDRO SINGH<br>HEIRANGOITHONG BAZAR | 461 | E,MAN,Phy,Chm,Phs,Bio |
| 13th (ii) | 16263* | TAKHELMAYUM CHINGLEMBA<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>S/O T. (O) MEMTOMBI DEVI<br>T. SHASHI SINGH<br>KHURAI KONGPAL SAJOR LEIKAI, IMPHAL EAST-795010 | 461 | E,MAN,Phy,Chm,Bio |
| 13th (iii) | 16793* | VANDANA LAITONJAM<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>D/O ANITA LAITONJAM<br>RANJAN LAITONJAM<br>KEISHAMPAT LEIMAJAM LEIKAI | 461 | E,MAN,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 14th (i) | 10075* | SAIKHOM AMARJIT SINGH<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>S/O LAIRIKYENGBAM MADHABI DEVI<br>SAIKHOM SATYENDRA SINGH<br>NEW CHECKON | 460 | E,MAN,Phy,Chm,Mth,Bio |
| 14th (ii) | 16181* | NINGTHEM HUIDROM<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>S/O HUIDROM (O) SURODHANI DEVI<br>HUIDROM SHARAT SINGH<br>ISHOK MAYAI LEIKAI, NAMBOL-795134 | 460 | E,MAN,Bio,Chm,Mth,Phy |
| 15th | 16087* | HAOBAM ARBIN SINGH<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>S/O HAOBAM IBEMCHA DEVI<br>HAOBAM GOKULCHANDRA SINGH<br>SAGOLBAND KANGABAM LEIKAI, IMPHAL WEST-795001 | 459 | E,MAN,Phy,Chm,Mth,Bio |
| 16th (i) | 9640* | THANGKHOCHON JOYSON HAOKIP<br>XTRA EDGE SCHOOL, GHARI.<br>S/O DR. PHUTHOU HENKHONENG MATE<br>REV. DR. LETKHOTHANG HAOKIP<br>KANGPOKPI MISSION COMPOUND | 458 | E,ALT,Phy,Mth,Bio,Chm |
| 16th (ii) | 10065* | ROGER POTSHANGBAM<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>S/O POTSHANGBAM (O) SANAHANBI<br>POTSHANGBAM RAMESHWAR SINGH<br>HAOBAM MARAK NGANGOM LEIKAI | 458 | E,MAN,Phy,Mth,Phs |
| 16th (iii) | 16907* | LAISHRAM PONGTHANGAMBA MEITEI<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O L. RASHI LEIMA<br>L. MOHORI KHUMAN<br>YAIRIPOK SHIPHAI LEIKAI | 458 | E,MAN,Phy,Bio,Mth,Chm |
| 17th (i) | 10078* | SANCHAY AGARWAL<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>S/O REKHA AGARWAL<br>RAVI AGARWAL<br>KALAPAHAR BAZAR | 457 | E,ALT,Phy,Mth,Csc,Chm |
| 17th (ii) | 15342* | MUTUM NITISHKUMAR SINGH<br>COMPREHENSIVE CONCEPT SCHOOL, SANGAIPROU.<br>S/O MUTUM LEIRENTOMBI DEVI<br>MUTUM RAJENDRA SINGH<br>YAIRIPOK YAMBEM MAYAI LEIKAI | 457 | E,MAN,Mth,Chm,Bio,Phy |
| 17th (iii) | 17032* | SHAGOLSHEM BIKISH SINGH<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O SH. KUNODINI DEVI<br>SH. SOMA SINGH<br>WANGOO PARKING | 457 | E,MAN,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 18th (i) | 9826* | PRIYANKA THOKCHOM<br>HERBERT SCHOOL,CHANGANGEI, AIRPORT ROAD, IMPHAL<br>D/O TH. (O) KRISHNA DEVI<br>TH. JITEN SINGH<br>KHUNDRAKPAM AWANG LEIKAI | 456 | E,MAN,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 18th (ii) | 11110* | NGANGOM RONALD SINGH<br>MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES, SAGOLBAND, KWAKEITHEL MAYAIKOIBI<br>S/O NG. (O) RENUBALA DEVI<br>NGANGOM RAJENDRO SINGH<br>KHURAI THONGAM LEIKAI IMPHAL EAST | 456 | E,MAN,Mth,Chm,Bio,Phy |
| 18th (iii) | 16885* | KORIMAYUM FIRDOZ<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O MRS. RASITUN<br>MD. ABDUL HEI<br>YAIRIPOK TOP CHINGTHA LAIKON | 456 | E,MAN,Phy,Chm,Bio |
| 19th | 22167* | THOKCHOM PREETY DEVI<br>K.M. BLOOMING HR. SEC. SCHOOL, KHANGABOK<br>D/O THOKCHOM RANJITA DEVI<br>THOKCHOM DILIPKUMAR SINGH<br>KHANGABOK AWANG LEIKAI | 455 | E,ALT,Phy,Chm,Bio,Mth |
| 20th (i) | 16036* | YENSEMBAM DEEPALI DEVI<br>COMET SCHOOL, CHANGANGEI, UCHECKON<br>D/O NONGTHOMBAM NILIMA DEVI<br>YENSEMBAM TEJKUMAR SINGH<br>HEIRANGOITHONG NINGTHOUJAM LEIKAI, IMPHAL WEST-795 | 454 | E,MAN,Phy,Chm,Bio |
| 20th (ii) | 17002* | RAINSON POTSHANGBAM<br>MECI EXPLORER ACADEMY, CHANGANGEI, UCHECKON, IMPHAL WEST<br>S/O MAIBAM SANATHOI DEVI<br>POTSHANGBAM THONINDRO SINGH<br>KWAKEITHEL LEIMAKHUJAM LEIKAI | 454 | E,MAN,Phy,Csc,Mth |